# ইন্দিপেন্দেন্স দে থৌরমদা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা চাওখৎপগী লম্বীদা চৎনিংবনা ঙাইঙমদ্রে হায়খ্রে



***ন্যু দিল্লি, আগষ্ট ১৫ ঃ***

ইতিহাসিক ওইরবা রেদ ফোর্টতগী ঙসি ইন্দিয়াগী ৭২ শুবা নীংতম-নুমিৎ থৌরমদা ৱা ঙাংবদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা চাওখৎপা লম্বীদা মাঙলোমদা চৎনিংবনা ঙাইঙমদ্রে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না হায়খি, মহাক লৈবাকসিদা অহোংবা পুরক্লবগীদমক ঙাইবদা খাঙবা ঙমদ্রে। তোঙান তোঙানবা হীরম কয়ামুক্তা অনৌবা ইন্দিয়া অমা শেম্নবগী মহাক্কী পান্দম অদু পল্লদুনা ৱাফম অসি প্রাইম মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবনি।

মথংগী পাঙথোক্কদবা নেস্নেল ইলেক্সনশিং অদু চহী ১ ফাজিল্লক্তবগা লোয়ননা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মহাক্কী গভর্ণমেন্টকী রিপোর্ট কার্দসু পুথোকখি।

কুমজা ২০১৩ না বেজ ইয়ার ওইনা লৌরগা হৌখিবা চহী ৪ দা চাওখৎলক্লিবা অসি ওল্লবদি কয়া য়াম্না চাওখৎ লম্বীদা খোঙ থাংজিল্লবগে হায়বদু খঙবদা নখোয় ঙক্কনি হায়না মহাক্না অকক্লনা ফোঙদোকখি। মহাক্কী ৱাঙাং অদুদা কংগ্রেসতা অতন্ননা খুদোম্বী থিনবদি তৌখিদে।

ইন্দিয়াদা ইলেক্ট্রিসিটি ফংদবা লম্বী চখোক-চৎশিনগী খুদোংচাদবা ময়াম অসিগী মরমদা মালেমগী মীয়াম্না ইতৎ-তত্তনা ঙাংনরি। অদুবু ঙসিদি তুমদুনা লৈরম্বা শামু অদু হৌগৎতুনা চৎপা হৌখ্রে হায়না চহী ৪০০ শুরবা মুগল মতমগী লানবন-রেদ ফোর্টকী মপান্দা পুল্লিবা মীওই লীশিং কয়াদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হায়খি।

করিগুম্বা কুমজা ২০১৩ দা লৈরম্বা খোঙজেল অদুদা থবক তৌরম্বা তারবদি মখোয়না হৌজিক লৈরিবা তোইলেট ময়াম অসি শাবদা চহী চা-কয়া চঙলমগনি। খুঙ্গংশিংদা ইলেক্ট্রিক পীরিবা অসিসু চহী দিকেট কয়া থেংথরমগনি হায়না মহাক্না হায়খি। অদুগা শোখরবা কাঙলুপকী মীওইশিংগী চাকখুমশিংদা চাক থোংনবা গ্যাস য়ৌহনবদা চহী ১০০ চঙলমগনি লোয়ননা ওপ্টিকেল ফাইফরনা খুঙ্গংশিং য়ৌবদা মীরোল কয়া চঙলমগনি হায়খি।

মহাক্কী মিনিট ৪০ শাংবা ৱারোল অদু লোইশিল্লকপদা প্রাইম মিনিষ্টরনা ৱাফম অমা থমখি, মদুদি থবক মখল পূন্নমক্তা মীয়াম্না ঐগী মরমদা হায়রি। মখোয়না হায়রিবা পূন্নমক অদুদা খরদি ঙসি ঐনা ফোঙনা অয়াবা ফোঙদোকপা পাম্মী। ঐহাক য়াম্নমক ঙাইদুনা লৈবা ঙমদ্রে। মরমদি লৈবাক কয়ামরুম্না ঐখোয়গী মাঙ থানা চংখ্রে। মখোয় পূন্নমক অদুগী মমাঙ থানা ঐখোয়গী লৈবাক অসি পুখৎনবা ঐহাক ঙাইঙমদ্রে হায়খি।

মসিগী মথংদা লৈবাক অসিনা হৌজিক মায়োক্করিবা অপনবা খুরৌশিংগী লিষ্ট অমা অমসুং হিংবগী ক্বালিটি ফগৎহনবা অমসুং রিছোর্স পূন্নমক শীজিন্নবা য়াওনা মহাক্কী তৌগদবা লিষ্ট অদু পুথোকখি।

অদুবু অমরোমদা কংগ্রেস পার্টিনা প্রাইম মিনিষ্টরগী ৱারোল অদু অহোবনি, মচাক অমত্তা য়াওদবনি হায়খ্রে। মসি হায়বগা লোয়ননা পার্টি অসিনা মখোয়গী লুচিংবা রাহুল গান্ধীনা দিবেট অমা তৌনসি হায়না শীংনখিবা অদু নীংশিংখি।

কংগ্রেসকী ৱাঙাংলোই রন্দীপ সুর্জেৱালানা ইকোনোমি লৈখা তারক্লিবা অমসুং রুপীগী মমল হন্থরক্লিবা অসিগী মতাংদা দিবেট অমা তৌনবগীদমক প্রাইম মিনিষ্টরনা থৌরাং তৌবা ঙমগদ্রা হায়না হংখি। রুপীগী মমল খ্বাইদগী নেম্বা থাক্তা ৭০ দা লৈখ্রে অমসুং ট্রেদ দিফিসিট দোল্লর বিল্লিয়ন ১৮ দগী হেনখ্রে হায়না মহাক্না হায়খি।

চিনানা দোকলাম খুদুম চনশিনখিবা, মখোয়না লদাখতা চঙশিল্লকখিবা অমসুং মায়কৈ পূন্নমক্তগী ইন্দিয়াবু কোয়শিল্লকখ্রে। মসিদা নহাক্না ঙসি দিবেট অমা তৌনবা ঙমগদ্রা হায়না কংগ্রেস ৱাঙাংলোই অদুনা হংখি।

# প্রাইম মিনিষ্টরনা ইন্দিপেন্দেন্স দে গী ৱা ঙাংলিঙৈ নুপী ঙাক্তগী স্বাট টিমনা রেদ ফোর্ট ঙাক-শেনবগী থৌদাং লৌখ্রে

***ন্যু দিল্লি, আগষ্ট ১৫ ঃ***

ইন্দিপেন্দেন্স দে থৌরমদা ঙসি ইতিহাসিক ওইরবা রেদ ফোর্ট ঙাক-শেনবগী থৌদাং অৱাং নোংপোক লমদমদগী লৈবাক অসিগী অহানবা নুপী ঙাক্তগী স্বাট টিমনা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা মখোয়গী ৱাখলদা চাওথোকচবা অমা ফংখ্রে।



মেম্বর ৩৬ কী নুপী ঙাক্তগী স্পিসিয়েল ৱিপন্স এন্দ টেক্টিক্স (স্বাট) টিম অদু দিল্লি পুলিসকী স্পিসিয়েল সেলগী মখাদা এন্টি-টেরোরিজম দ্যুটিগীদমক নেস্নেল সেক্যুরিটি গার্দ (এন এস জি) না ট্রেনিং তৌখিবনি।

টিম অদুগী মেম্বর সুমাতা রাবতানা ফোঙদোকপদা লৈবাক অসিবু ঙাক্লবগী থৌদাং লৌবা হায়বসি মাগী পুন্সিগী মঙলাননি হায়খি।

লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী মরু ওইবা থৌরমশিংগী মনুংদগী অমবু ঙাক-শেন্নবগী খুদোংচাবা ঐহাক্না ফংবা অসিদা ঐনা নুমিৎ অসিবু মতম পূন্নমক্তা নীংশিংদুনা লৈরগনি হায়না রবতানা হায়খি।

অতোপ্পা স্বাট মেম্বর দিপ্টি বর্মননা হায়খি, মহাক্কী টিমগী মরমদা প্রাইম মিনিষ্টরনা ঙাংখিবা অদু তাবদা চাওথোকচবা পোকই হায়খি। ঐনা তৌফম থোকপা থৌদাং অদু থম্মোয়দা ফাওই অমসুং টিম অসিদা পীরকপা থৌদাং পূন্নমক ঐগী টিমনা মপূং ফানা পাঙথোক্লবা হোৎনগনি হায়না বর্মননা হায়খি।

ইন্দিয়াগী মীয়ামবু অৱাং নোংপোক্তা লৈবা সিটিজনশিংদা হান্নগী লৈরম্বা ৱাখল্লোন অদু হৌজিক হোংলগনি অমসুং মখোয়গী তৌবা ঙম্বা অদু মখোয়না খঙলগনি হায়বসি মহাক্না আশা তৌই হায়খি।

অতোপ্পা টিম মেম্বর মিহনহুন্সানা স্বাটকী য়ুনিফোর্ম অদু শেৎপদা মশাদা চাওথোকচবা অমা পোকই হায়খি। ঐখোয়গী লমদম অসিগী মরমদা মীয়াম্না হান্না লৈখিবা ৱাখল্লোন হোংদোকপা হায়বসি ফনা লুবা ওইদুনসু ঐখোয়না ঐখোয়গী য়ুনিফোর্ম অসিগী খুত্থাংদা হোংহন্নবা হোৎনগনি হায়না মহাক্না হায়খি।

প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা ইন্দিপেন্দেন্স দে দা পীখিবা মাগী ৱারোলদা গভর্ণমেন্টনা অৱাং নোংপোক দিল্লিদা নকশিন্না পুশিল্লকখ্রে অমসুং লমদম অদু হৌজিক মীওই খুদিংমক্কী ৱাখল-থৌনাগী ঈথিন পীবা অমা ওইরক্লে হায়খি।

মহৌশানা নুপাশিং খক্তনা স্বাট টিমদা চঙবগী চৎনবী অদু থুগাইখ্রবা নুপী ৩৬ কী কম্মান্দোশিং অদু আগষ্ট ১০ দা হৌনবী মতূং ইন্না থবক অসিদা য়াওরকখিবনি। মখোয়দা এ কে-৪৭ রাইফলশিং, এম পি ৫ মেছিন গনশিং, গ্লোক ১৭ নৎত্রগা ২৬ পিষ্টোলশিং কোর্নর সোট দিভাইসশিং অমসুং নাইট ভিজন ইক্যুপমেন্টশিং পায়হল্লি।

মসিগী মথক্তা নুপী কম্মান্দোশিং অসিবু ইজরেল দিফেন্স ফোর্সশিংগীদমক পুথোকপা সেল্ফ-দিফেন্স সিষ্টেম অমা ওইরিবা 'ক্রাব মাগা' হায়বা অসিদসু ট্রেনিং পীখ্রে হায়না পুলিসনা হায়খি।

নুপী কম্মান্দোশিং অসি মী কুংনা তিনবা কৈথেলশিংদা মী লৈনবা কমপ্লেক্সশিংদা নৎত্রগা গভর্ণমেন্ট প্রিমাইজেসশিংদা টেরোরিষ্ট এটেক চথরকপা মতমদা অরুবা মখল কয়াগী ওপরেসনশিং চথনবা ট্রেনিং পীখ্রবনি।

# কেরলা ঈচাওদা ৪৫ শিখ্র, দিষ্ট্রিক্ট ১৪ মক্তা রেদ এলার্ট লাওথোকখ্রে

***থিরুবনন্থপুরম, আগষ্ট ১৫ ঃ***

কেরলাদা লেপ্তনা চুথরকপা নোংনা দিষ্ট্রিক্ট কয়ামরুমদা ঈচাও থোকহন্দুনা ঙসি ফাওবদা শিখিবা মীগী মশীং ৪৫ য়ৌখ্রে। খুদোংথিবা ফিভম অসি খন্ননবা চীফ মিনিষ্টর পিনারায়ি বিজয়ননা অথুবা মীফম অমা কৌখ্রে।



ইতিহাসতা ইহান হানবা ওইনা ষ্টেট অসিগী লৈরিবা দাম ৩৯ গী মনুংদা দাম ৩৫ হাংদোকখ্রে। কোচিন ইন্টর্নেস্নেল এয়ারপোর্টকী মনুং অমসুং অকোয়বদা ঈশিং ঈচাও থোকপদগী থাংজ নুমিত্তা নুংথিল পূং ২ ফাওবা এয়ারপোর্টকী থবক লেপখ্রে।

কেরলাদা থোক্লিবা খুদোংথিবা অদুগী য়েংলগা তামিল নাদু গভর্ণমেন্টনা মুল্লাপেরিয়ার দামগী রিজার্ভরদগী অহেনবা ঈশিং থাদোকখিনবা ঙসি য়ূমজকৈশগী অয়ূক পূং ২.৩০ তাবদা দাম গেৎশিং হাংদোকখ্রে।

হৌজিক ষ্টেট অসিগী মফম পূন্নমক্তা অৱা-তেংবাঙগী থবক চখরি। ওথোরিটিজিনা মীয়ামবু রিলিফ কেম্পশিংদা হোংদোকহল্লক্লি। মঞ্জুমালা, কুমিলি, পেরিয়ার, উপ্পুথুরা অমসুং অয়াপানকোবিলগী মীয়ামবু অতোপ্পা মফমদা হোংদোকহল্লকখ্রে। অদুগা এর্নাকুলাম, ইদুক্কি অমসুং থ্রিসুরদা পেরিয়ার তুরেল মনাক্তা খুন্দাবা মীওইশিংবু রিলিফ কেম্পশিংদা পুথোরক্লবা গভর্ণমেন্টনা পাউতাক পীখ্রে।

এর্নাকুলামগী এলূর রিজনগী হিল কোলোনিদগী মীচম ২৩ গরহৱাল রাইফলসনা কনখ্রে। নুপীশিং অমসুং অঙাংশিং কনবদা মখোয়না মোদিফাইদ ট্যুবশিং অমসুং য়ুটেন্সিলশিং শীজিন্নখি। পুনে এয়ারপোর্টতগর এন দি আর এফ কী টিম ৪ রেস্ক্যু ওপরেসনশিংগীদমক থাক ৱাংনা ফরবা ইক্যুপমেন্টশিংগা লোয়নবা পার্সোনেল ১৫০ রোম ঙসি নুমিদাংৱাইরম কেরলাদা থুংলগনি।

আগষ্ট ১৭ তা পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরম্বা ওনম ফেষ্টিভেলগী থৌরমশিং কোচি মেট্রো রেল লিমিটেদ (কে এম আর এল) না ককথৎখ্রে। কে এম আর এল গী এমপ্লোয়ী পূন্নমক্না চীফ মিনিষ্টরগী দিষ্ট্রেস রিলিফ ফন্দদা নোংমগী তলব দোনেট তৌরগনি অমসুং ঈচাওগী তেংবাঙনবগীদমক অচঙবা মচাক-মথুম পীনবা মীয়ামদা কল্লকপশিং খোমজিন্নবা ষ্টেসনশিংদা বোক্সশিংসু থম্লগনি। প্রোফেস্নেল কলেজশিং য়াওনা কেরলাগী এদুকেস্নেল ইন্সটিট্যুসন পূন্নমক আগষ্ট ১৬ অমসুং ১৭ তা থোঙ লোল্লগনি।

ঙসি অৱাংবা থাক্কী মীফম অমগী ময়াই তাঙবন লৌখিবা কেরলা চীফ মিনিষ্টর বিজয়ননা ষ্টেট অসিগী মফম পূন্নমক্তা মথং নুমিৎ ৪ নি ফাওবা নোং কন্না চুরকপা য়াবনা মরী লৈনবা এজেন্সি পূন্নমক্তা মীৎশিং-নাশিংনা লৈনবা খঙহনখ্রে। মসিগা লোয়ননা ষ্টেট অসিগী লৈরিবা দিষ্ট্রিক্ট ১৪ মক্তা রেদ এলার্ট লাওথোকখ্রে। সি এম দিষ্ট্রেস রিলিফ ফন্দদা অঙম্বা শেন কৎনবা চীফ মিনিষ্টরনা মীয়ামদা আপিল তৌখ্রে।

# ইতালিগী থোং তেকথরকপদা শিবা মশীং ৩৯ য়ৌখ্রে

***জেনোৱা, আগষ্ট ১৫ ঃ***

ইতালিগী জেনোৱাদা লৈবা থোং অমা তেকথরকপদা মদুগী অকায়-অতোই মপৈ-মপৈনা ননশিনখিবদগী শিবা মী মশীং ঙসি ফাওবদা ৩৯ য়ৌখ্রে। ইতালি গভর্ণমেন্টনা খুদোংথিবা থৌদোক অদু লৈবাকসিগী মোতোরৱেশিংগী থবক পুরিবা কম্পেনি অদুননি হায়না মরাল শীখ্রে। হৌজিক রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা অশোকপা অমসুং অশিবশিং থিনবা অতেক-অকায় মপৈশিং অদু খোত্তোক্লবা হোৎনরি।

অৱাং থংবা হিথাংফম সিটি অদুদা নোং কন্না চুবা মরক্তা ঙরাং লৈবাকপোকপা নুমিত্তা মোরান্দি থোংগী অচৌবা স্পান অমা তেকথরকখিবনি। মদুনা ফুট ১৫০ গী মখাদা লৈবা রেলৱে ট্রেকশিংদা কার ৩৫ রোম অমসুং ট্রক কয়ামরুম ননশিনখি।



ইতালিগী সিভিল প্রোফেসন সার্ভিসকী মতূং ইন্না য়ামদ্রবদা মীওই ৩৯ শিখ্রে হায়বা খঙলে অমসুং ১৫ শোক্লে হায়রি।

শিখিবশিং অদুগী মনুংদা মশাগী চহী ৫, ১২ অমসুং ১৩ খক্তা শুরিবা অঙাংশিংসু য়াওখ্রে হায়না ঙসি য়ূমশকৈশা নুমিত্তা ইন্টরিয়র মিনিষ্টর মেট্টিও সালভিনিনা ফোঙদোকখ্রে। হৌজিক মীওই কয়া অমসু থিবা খঙদনা লৈরি হায়রি।

খুদোংথিবা থৌদোক অদুদা ইতালিদা লৈবা চিলিয়ান অহুম অমসুং ফ্রেঞ্চ নেস্নেল অহুমসু শিখ্রে হায়না মখোয়গী মরী লৈনবা দিপ্লোমেটিক সার্ভিসশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

রেস্ক্যু চা কয়ানা হিংহৌবা মীওইশিং লৈরম্বা য়াই হায়বগী আশাদা ঙরাং অহিং চূপ্পা কঙ্ক্রিৎ অমসুং খোয়রবা য়োৎকী য়াম্লবা মপৈ অদু খোত্তোক্নুনা থিবা-হুম্বা মখা চখরি। চহী দিকেট কয়া লিরবা থোং অদুগী ষ্ট্রকচরেলগী ওইবা ৱাফমগী মতাংদা হান্না শাওনদুনা লৈরম্বা অদু ঙরাংগী খুদোংথিবা থৌদোক অসিদা অমুক্কা হেনগৎহনখ্রে।

লৈবাক অসিগী মোতোরৱেশিং ওপরেট তৌবা অমসুং মেন্টেল তৌবগী থবক হন্দক্তা লৌখ্রিবা প্রাইভেট সেক্টর ফার্ম ওতোসট্রেদ পার ইতালিয়াদা থৌদোক অসিগী মরাল শীখ্রে।

ইতালিগী গভর্ণমেন্টনা কম্পেনি অসিগা তৌনবা কন্ট্রেক্ট তোকপা পাল্লে অমসুং অচৌবা খুদোংথিবা নংহনখিবগীদমক মখোয়গী মথক্তা য়ুরো মিল্লিয়ন ১৫০ (দোল্লর মিল্লিয়ন ১৭০) গী ফাইন থিহনগনি হায়খ্রে।

অৱাবা থৌদোক অদু থিংহৌরম্বা য়াবনি হায়না হান্না ফোঙদোকখিবা দিপ্যুটি প্রাইম মিনিষ্টর লুইগি দি মাইয়োনা ঙসি অয়ূক জেনোৱাদা থুংলখি। ওতোসট্রেদনা মেন্টেনেন্স অদু তৌগদবনি অমসুং মদু মখোয়না তৌদে হায়না মহাক্না হায়খি।

কুমজা ১৯৬০গী চহীশিংদা শাখিবা থোং অদুগী মিটর ২০০ (ফুট ৬৫০) হেনবা শরুক অমা ঙরাং মোতোরৱে অদুগী খ্বাইদগী মী কুংবা মফম অদুদা ট্রাফিক চৎলিঙৈদা মাঙজৌননা করিমত্তা খঙহৌদনা নমথরকখিবনি অমসুং কুমজা ২০০১ গী মতূংদগী হৌজিক ফাওবগী মনুংদা য়ুরোপতা মখল অসিগী খ্বাইদগী মীশি-মীনা থোকপা দিজাষ্টর অদু থোকখিবনি।

জেনোৱা হায়রিবা মফম অসি মী লাক্ষ ৫ রোম লৈ। অৱাং নোংচুপ থংবা ইতালিদা সমুদ্র অমসুং চীংদোনশিংগগী মরক্তা লৈবনি।

জেনোৱাগী মনুং চল্লিবা লিগুরিয়াদা নোং কন্না চুরিঙৈদা থোং অদু শেমজিন-শাজিনবগী থবক তৌরিঙৈদা নমথরকখিবনি। খুদোংথিবা থৌদোক অসিনা জেনোৱা অমসুং ইতালি অপুনববু থম্মোয় শোকহল্লে হায়না ইতালিগী প্রসিদেন্ট সেরগিয়ো মাট্টারেল্লানা হায়খি।

# হুরানখিবা ১২ শুবা চহী-চা গী বুদ্ধ মুর্ত্তি অদু য়ু কে না ইন্দিপেন্দেন্স দে নুমিত্তা ইন্দিয়াদা অমুক পীরকখ্রে

***লন্দন, আগষ্ট ১৫ ঃ***

ইন্দিয়াগী ইন্দিপেন্দেন্স দে নীংশিংদুনা লন্দনদা পাঙথোকপা থৌরম অমগী শরুক ওইনা লন্দনগী মেট্রোপোলিতিান পুলিসনা ঙসি য়ূমশকৈশা নুমিত্তা বিহারগী নালান্দা ম্যুজিয়ম অমদগী চহী ৬০ রোমগী মমাঙদা হুরানখিবা ১২ শুবা চহী-চা গী ব্রোঞ্জনা শাবা বুদ্ধ মুর্ত্তি অদু ইন্দিয়াদা অমুক হন্না পীরকখ্রে।



মুর্ত্তি অদু নালান্দা আর্কিওলোজিকেল সর্ভে ওফ ইন্দিয়া (এ এস আই) সাইট ম্যুজিয়মদগী কুমজা ১৯৬১ দা হুরানখিবা মুর্ত্তি ১৪ গী মনুংদগী ১ নি অমসুং লন্দনদা ওক্সন অমদা পুথোক্লক্ত্রিঙৈগী মমাঙ চহী কয়ামরুম তোঙান তোঙানবা মীওইশিংগী মখূৎতা লৈরুরে।

স্কল্লচর অদু ইন্দিয়াদগী হুরানখিবা অদুনি হায়বসি দিল্লর অমসুং ওর্নর অদুদা খঙহনখিবগা মখোয়না মেটস আর্ট এন্দ এন্টিক্স য়ুনিটকা তেংবাঙনবা য়াম্নখি অমসুং মদু ইন্দিয়াদা অমুক হন্না পীবদা য়াখি হায়না মেট্রোপোলিতান পুলিসনা হায়খি।

চহী অসিগী মার্চতা ট্রেদ ফিয়ার অমদা থায়নগী বুদ্ধ মুর্ত্তি অদু পুথোক্লকপদা লিন্দা এলবর্টসন কৌবা এসোসিয়েসন ফোর রিছার্স ইন্টু ক্রাইমস এগেনষ্ট আর্ট (এ আর সি এ) গী মীওই অসিনা অমসুং ইন্দিয়া প্রাইদ প্রোজেক্টকী বিজয় কুমারনা খঙলকখিবনি। মখোয়না মদুগী মরমদা পুলিসতা পাউ পীখি।

লন্দনদা লৈবা ইন্দিয়া হাউসতা ঙসি য়ূমশকৈশা নুমিত্তা ইন্দিপেন্দেন্স দে গী পাঙথোকপা থৌরম অমগী শরুক ওইনা স্কোটলেন্দ য়ার্দনা মুর্ত্তি অদু য়ু কে দা ইন্দিয়ান হায় কম্মিস্নার ওইরিবা ৱাই কে সিনহদা অমুক হন্না পীরকখিবনি।

দ আর্ট এন্দ এন্টিক্স য়ুনিট অসি চহী ৫০ গী মমাঙদা লীংখৎখিবনি অমসুং লন্দনগী মেট্রোপোলিতান পুলিস সার্ভিসতা লৈরিবা খ্বাইদগী লীরবা স্পিসিয়েল য়ুনিটশিংগী মনুংদগী অমনি।

মপুশিংগা মখোয়গী হুরানখ্রবা মমল লৈরবা পোৎশিংগা অমুক হন্না পুনশিন্নহনবগী শাংলবা ইতিহাস অমা লৈজরবা য়ুনিট অসিনা মসিগীদমক চাওথোকচৈ।

# প্রসিদেন্ট মাদুরোদা এটেক তৌবগী মতাংদা ভেনিজ্বেলাগী জেনরেল অমসুং কর্নেল ফাখ্রে



***কারাকাস, আগষ্ট ১৫ ঃ***

ভেনিজ্বেলাগী প্রসিদেন্ট নিকোলাস মাদুরোবু হাৎননবা হোৎনরমখি হায়বগী থৌদোক অমগী মতাংদা থিজিনবগী শরুক অমা ওইনা লৈবাক অসিগী জেনরেল অমা অমসুং কর্নেল অমা ফাখ্রে হায়না সুপ্রিম কোর্টনা ঙরাং ফোঙদোকখ্রে।

মখোয়বু ফাখিবা অদুনা লৈবাক অসিগী মিলিটরিগী মনুংদা কাঙলুপ কাঙলুপ মচেৎ তান্নরৱা হায়বগী চিংনবশিং হেনগৎহনখ্রে। লৈবাক অসিগী ইকোনোমি শোন্থরকখিবা অমসুং মীয়াম্না হেন্না হেন্না খাঙবা ঙম্লকখিদবা অমসুং শাওনরকখিবগা লোয়ননা প্রসিদেন্ট অসি মীয়াম্না য়াদবা হেনগৎলকখিবনি।

নিংথৌকাবা নুমিত্তা ওপোজিসন পোলিটিসিয়ান জুৱান রেক্কেসেন্স অমসুং অতোপ্পা মিলিটরি ওফিসার কর্নেল পেদ্রো জেভিয়র জস্ত্রানোগা লোয়ননা নেস্নেল গার্দকী মেজর জেনরেল আলেজেন্দ্রো পেরেজ গামেজনা জজ অদুগী মমাঙদা থোক্লককখি হায়না এট্রোর্নি জেনরেল টারেক ৱিল্লিয়ম সাবনা প্রেস কনফরেন্স অমদা হায়খি।

প্রসিদেন্টকী মথক্তা শাথিবা মওংদা হাৎননবগী হোৎনরম্বগীদমক কোর্ট অসিনা মীওইশিং অসিবু অমসুং অতোপ্পা মঙাবু ফানবগী ওর্দর তৌখ্রে হায়না ঙরাং অহিং নোংয়াইদা থোকপা ষ্টেটমেন্ট অমদা সুপ্রিম কোর্টনা হায়খি।

হৌজিক ফাওবদা আগষ্ট ৪ দা থোকখিবা থৌদোক অদুদা চেন্নবগীদমক মীওই ১৪ ফাখ্রে অমসুং মরাল শীখ্রে। লৈবাক অসিগী কোনুং কারাকাসতা মিলিটরি পেরদ অমদা প্রসিদেন্ট মাদুরোনা ৱা ঙাংলিঙৈদা পোকখাইরকপগী থৌদোক অমা থোকখি। মদুগী মথংদা অনীশুবা পোকখাইবগী মখোল অমসু তাখি। অদুগী পুন্দুনা লৈরম্বা ট্রুপশিং অদুনা চেম্থোক্লদুনা পাখৎপগা লোয়ননা চোয়না-চোয়না লৈনখি। পোকখাইবশিং অদু মহাকপু হাৎননবা থারকখিবা এক্সপ্লোসিবশিং হাপ্পা দ্রোনশিংদগীনি হায়না প্রসিদেন্ট মাদুরোনা হায়খি। অদুবু ওপোজিসন লুচিংবশিং অদুনা লৈবাক অসিবু নমথরিবা অসি অমুক্কা হেন্না চখনবা থৌদোক অদু শেমজিন শাজিনবনি হায়না মাদুরোগী মথক্তা মরাল শীখি।

মাদুরোনা ফোঙদোকখিবদা য়ূম্লোন্নবা লৈবাক কলম্বিয়াদা চেন্দুনা লৈখ্রবা ওপোজিসন পার্লিয়ামেন্ট চিয়ার্মেন জুলিয়ো বোর্গেসকা লোয়ননা মহাক্কী ওফিসনা রেক্কেসেন্সকী বেঙ্ক একাউন্টশিং থিংজিন্নবা হায়জখ্রে হায়খি।

ওপোজিসন্না নমহৎতুনা লৈবা নেস্নেল এসেমব্লিদগী পৱার মুখৎখিবা, হৌখিবা চয়োলদা শেমখিবা মাদুরো রোয়েলিষ্টশিংগী শক্তি লৈরবা সুপর-লেজিসলেটিভ বোদি অমা ওইরিবা কন্সটিট্যুন্ট এসেমব্লিনা হৌখিবা চয়োলদা বোর্গেস অমসুং রেক্কেসন্সপু ৱায়েল চত্থবা য়ানবা মখোয়গী পার্লিয়ামেন্টরি ইম্প্যুনিটি লৌথোকখি।

## GAS TODAY

**Manipur Gas**
Booking : 28/05/18
Valid : 26/05/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 09.30 a.m

**Maibia Gas, Manipur**
Booking : 20/06/18
Valid : 16/06/18
Sl. No. 2500
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m

**RBD Indane**
Booking : 07/06/18
Valid : 31/05/18
Stk : 612
Time : 06.30 to 10.30 a.m

**Imphal LPG Service**
19 kg commercial stock 180

## সনা-সুদোকু -১২৬১ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 4 | 9 | 3 | 6 | 7 | 2 | 8 | 5 | 1 |
| 7 | 1 | 2 | 3 | 8 | 5 | 6 | 4 | 9 |
| 5 | 8 | 6 | 1 | 9 | 4 | 7 | 3 | 2 |
| 8 | 6 | 1 | 2 | 5 | 7 | 3 | 9 | 4 |
| 9 | 5 | 7 | 8 | 4 | 3 | 2 | 1 | 6 |
| 3 | 2 | 4 | 9 | 1 | 6 | 5 | 8 | 7 |
| 2 | 7 | 9 | 4 | 3 | 8 | 1 | 6 | 5 |
| 1 | 3 | 5 | 7 | 6 | 9 | 4 | 2 | 8 |
| 6 | 4 | 8 | 5 | 2 | 1 | 9 | 7 | 3 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1262**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 2 | 1 | | 6 | | | | 8 | |
| 5 | 4 | | | | | | 1 | |
| | 3 | | 2 | | | 9 | 4 | |
| 1 | | 2 | | 5 | | 4 | | |
| | | 8 | | 9 | | 6 | | |
| | | | | 4 | | | | 1 |
| | | | 4 | | | | 3 | 5 |
| | | | | | | | | 4 |
| 7 | | | 9 | | | | | |